ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur





য়াম্না তোয়না লান নংলিবা জিরিবামগী মোংবুং খুলগী খুঞ্জাশিংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সী কৃষ্ণকুমারনা নোংমগী পূন্সিদা তঙাইফদনা চঙবা চান-থক্লবা পোৎ চৈশিং য়েন্থোকখিবা


থম্মোয় পাউদম : শান্তিগী ৱারীগা, সী এম শীনবা শীন্দবগা ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ ফত্তবা ফেটপু কান্নরবা ওমেগা-৩দা ওন্থোক্তুনা ...
''অমুক্তা উখিদ্রিবা অকনবা ঈহৌ' ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ মীয়ামগী ইহুল খঙবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা...
সাইক্লোন দানা পুং ৪৮গী মনুংদা ওড়িষাদা ফুজিল্লক্লগনি ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ লম্বুং ৱাই সী সীনা চান্দেল খুল্লেন ৱাই সী অদুগা...


য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর, কুম্বী য়ুনিটকী থৌ পুননবা খল্লবশিংনা কম্মিটি অসিগী চৎন-কাঙলোন মতুংইন্না মথৌ পাঙথোক্কনি হায়বগী ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখিবা




Vol. 48, Issue No. 200 | য়ুমশকৈশা, মেরাগী ২২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, October 23, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### এম এল এ-মিনিষ্টর ১৯না প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখি হায়রিবা চেরোল হৌজিকসু কেকু লোৎলি

## চীফ মিনিষ্টর হল্লকখ্রে, পাউমীশিংদা করিমত্তা ফোঙদোক্লমখিদ্রে বি জে পিগী এম এল এ অমনদি 'অন-ওফিসল' নি হায়খ্রে

### চীফ মিনিষ্টর তোংলকপা ইন্দিগো ফ্লাইট রন-ৱেদা পাইথরক্তুনা চেনবা হৌরক্লম্লগা অমুক পাইখৎলুরে




ঙরাং ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা বি জে পিগী এম এল এ, এস কুঞ্জকেশোর অমসুং কে ঐচ ইবোমচানা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীখিবা *(ফোটো : এন এস মঙাং)*

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৭তা নায়াব সাইনিনা হরয়ানাগী অনীরকশুবা ওইনা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাশক লৌখিবা নুমিৎকী মাঙওইননা থা অসিগী ১৬তা ইম্ফাল থাদোকখিবদগী ঙরাং ফাওবা নেসনল কেপিটেল দেল্লীদা লৈরকখিবা চীফ মিনিষ্টর ঙসি নুংথিল পুং ১ খরা হেল্লকপদা ইম্ফালদা থুংলখ্রবসু এরোপ্লেন মখোঙদগী গাড়ী তোংলগা থোরকখিবনা ইম্ফাল এয়রপোর্টকী 'এরাইভেল' থোঙজিলদা ঙাইরকখিবা পাউমীশিংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লমদনা মহাক্কী বঙ্গলো তম্না চৎখি। অদুম ওইনমক মহাক্কা পূন্না ফ্লাইট অমত্তদা তোংমিন্নরকখিবা বি জে পিগী এম এল এ অনী-এস কুঞ্জকেশোর অমসুং কে ঐচ ইবোমচাদা পাউমীশিংনা দেল্লীদা চৎলুবগী মরম অমসুং হন্দক এম এল এ-মিনিষ্টর ১৯না প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখিবগী মতাংদা হংবদদি এম এল এ, কে ঐচ ইবোমচানা চীফ মিনিষ্টরগা পূন্না দেল্লীদা চৎলুরিবসি লমদম অসিগী দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্টশিংগী খন্ন-নৈনবনি হায়না খুল্লকখি। অদুগা এম এল এ, এস কুশ্বকেশোরগী মায়কৈদগীনা এম এল এ-মিনিষ্টর ১৯গী অইবা চেরোল অমা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিল্লি হায়রিবসি অচুম্বা হায়না পাউমীশিংনা হংবদা মহাক্না মসিগী মতাংদা নোলেজ অমত্তা লৈতে, মদু 'অন-ওফিসল' ওইবা পোৎনি হায়না ফোঙদোক্লমখি।

পনবা য়াবদি, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংলক্লিবা লৈঙাক্তা য়াওরিবা বি জে পিগী মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিং খক্তা নত্তনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর য়াওনা লৈঙাক অসিবু শৌগৎলক্লিবা এম এল এ-মিনিষ্টর ১৯না পূন্না খূৎয়েক পীদুনা প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা পীশিল্লি হায়বগী মতাংদা ষ্টেট অসিগী প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### দেঙ্গি মীপাইনীংঙাই ওইরি : পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ কেস ৪০ হেনগৎলক্লে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :**

মালেমগী লৈবাক শীনবা থুংনা শন্দোরকখিবা মীহাৎ লায়না কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী ফীভম ফগৎলক্তুনা মণিপুরগী মীয়াম মহৌশাগী পূন্সিদা হঞ্জিল্লকপা হৌগৎলকপা কুইদ্রিঙৈদা হৌজিক ফাওবদা চপ চাবা হীদাক পুথোক্ত্রিবা কাঙনা থোকহনবা দেঙ্গি লায়না অমুক মায়োক্নরক্তুনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৪গী পূন্সি মাঙহনখিবগা লোয়ননা অপূনবা ষ্টেট অসিগী পোজিটিভ কেস ১৭২৩ শুরকপগী মনুংদা হৌখিবা পুং ২৪দা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৪০ থেংনরকপনা মীয়াম্না লায়না অসিদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরক্লি।

মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস মশীং খ্বাইদগী ৱাংলি। হৌখিবা পুং ২৪দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা দেঙ্গি পোজিটিভ কেস ৩৫ থেংনবগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্টতনা হায়রিবা তেল্লবা পুংফম অসিগী মনুংদা পোজিটিভ কেস ৫ পূন্না দিষ্ট্রিক্ট অনীদা ৪০ থেংনখ্রে।


হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা থেংনবা দেঙ্গি পোজিটিভ কেস ১২২৫ শুরে অদুগা ইম্ফাল ইষ্টকীনা পোজিটিভ কেস ৩৪৭ শুরে। অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেসশিংগী মশীংনা বিষ্ণুপুর-৫৪, থৌবাল-৪৮, ককচীং-২৫, কাঙপোকপী-৯, উখুল-৪, চান্দেল-৪, নোনে-৩, তমেংলোং-২, কামজোং-১ অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতসু পোজিটিভ কেস অমা থেংনরে। মরম অসিনা হায়রিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা পূন্না থেংনবা দেঙ্গি পোজিটিভ কেস মশীং ১৭২৩ শুরে। অদুম ওইনমক চূড়াচান্দপুর, ফেরজোল, জিরিবাম অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতদি হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস থেংনবগী রিপোর্ট ফংদ্রি।

হৌখিবা পুং ২৪ খক্তদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## লৈঙাক্না ইরিগেসনগী খুদোংচাবা ফংহন্দবনা লৌমীশিংনা পোখোক পুথোকপদা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্নরে

বিজয় লাইশ্রম

কুমজা ২০২৪ অসিদনা চুফম থোকপা নোংগী চাংদগী কা হেন্না চুশিল্লক্তুনা থেঞ্জাং ৩/৪




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিনা বৃটিশকী মখূৎতগী নীংতম্বা ফংদুনা মশানা মশাবু লৈঙাকচবা চহী ৭০ হেল্লক্লুবসু হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা ফংহনবা য়াওরবসু মণিপুরগী ওইনদি ঈথৈ-লৌখোং (ইরিগেসন) গী খুদোংচাবা নীংথিজনা ফংহন্দবনা লৌমীশিংনা মানা-মানা পুথোক্লিংবা পোখোকশিং মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনজবদা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্নদুনা লৈরে।

ঈথৈ-লৌখোং খক্তা নত্তনা মণিপুর লৈঙাক্না 'সীদ পোলিসি' শেম্বীদবনসু লৌমীশিংনা ফংজ গদবা খুদোংচাবা কয়া ফংবা ঙমদ্রি। লৌমীশিংনা মখল কয়াগী পোখোকশিং পুথোকপদা তঙাইফদনা 'ঈশিং' চঙই হায়বসি হৌজিক ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্না খঙলবসু মসিগীদমক মথৌ তাবা থবক থৌরমশিংদি মায় পাক্না পায়খত্তনা লৈরি।

হৌখিবা কুমজা ২০২২ অমসুং ২০২৩দা মণিপুরদা নোং লিক্না চুখিবদগী লৌ পানবদা তঙাইফদনা চঙবা ঈশিংগী চাং লৈখিদবদগী লৌফম কয়া লৌ শিংখি অদুগা চৎলিবা রক্তা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নহল্লক্তুনা লৌ পাল্লবা লৌফমশিং ঈশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন থুমজিনবগী অৱাবা মায়োক্নরি।

নোং মরাং কায়না চুদবদগী লৌমীশিংনা মথৌ তারিবা ঈশিং ফংদবা অমসুং নোং কা হেন্না চুরকপদগী ঈশিং থুমজিন্দুনা লৌফম কয়া মাঙহনবগী থৌদোক অসি করিগুম্বা মণিপুর লৈঙাক্না লৌমীশিংগীদমক য়েংলদুনা ঈথৈ-লৌখোংগী থবক ...মখা লমায় ৩ কলম ২



## মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাক্না সেন্টরগী বি জে পি লৈঙাক্তা মূক্ত্রিবা করিগীনো, বি জে পিদগী তোক্লগনি হায়দবগী মরম করিনো : কোকোমি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :** হৌজিক মণিপুরদা মায়োক্নরিবা ইস্যুশিং অসি অথুবা মতমদা লোইশিনগনি হায়বা থাজদে হায়রদুনা লোইশিনগদবা মীশক, থৌপুবদুনা মখা তানা শাংথহনবগী মওংদা পোমিৎ য়াৎলি হায়নসু মরাল শীরদুনা ঐখোয়গী বি জে পি লৈঙাক্না সেন্টরগী বি জে পি লৈঙাক্তা মূক্ত্রিবসি করিগীনো হংলদুনা বি জে পিগী লৈঙাক পায়রিবশিংনা বি জে পিদগী তোক্লগনি শুকহায় হায়দবগী মরম করিনো হায়না কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) গী কোওর্দিনেটর থোকচোম সোমোরেন্দ্রোনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লম্ফেলদা লৈবা কোকোমিগী লোয়শঙদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, অঙাং কৌরগা ৱারী শানবদৌনা মীটিংদুদা হোম মিনিষ্টর য়াওগদবসু য়াওদ্রে। সেক্রেটরি অমা থাদোক্লগা ৱারী শানখিবসি ইকায়নীংঙাইনি। ঐখোয়না চৎপা মতমদসু ঐখোয়গা উনগদবা মখোয় তরুক্তু মশীং শুদনা উনগদবা ওইরবদি উনরোই তোক্কনি হায়রুবদা মখোয় তরুক্কা পুল্লপ উনরকখিবনি। ঐখোয়দি মূক্লগা লাকখিবনি। অদুগা ঐখোয়গী এম এল এশিংনা মূক্ত্রিবসি করিগীনো হংলদুনা থৌওংসি মখোয়না




হৌজিক লৈবাক্কী শুকখন খন্দে হায়বা তাক্লবনি হায়নসু মরাল শীখি। নহান্না মখোয়না লাউবা য়ারবসু লাউদে, মখোয় মখোয়গী ফম কন্নবা হোৎনদুনা লৈ হায়খি। ...মখা লমায় ৬ কলম ১

## ঙসি লাক্কদবা এন পি পিগী নেসনল টিম্না মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর ১সুং পোলিটিকেল সিচুএসনগী মতাংদা মীওই কয়াগা উনগদৌরি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :** নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা হয়েং ইম্ফালদা থুংলগদবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী তোঙান তোঙানবা ফম পায়বা লুচিংবা ৫গী নেসনল টিম্না ষ্টেট অসিদা লৈরিঙৈদা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা লো এন্দ ওর্দর অমসুং পোলিটিকেলগী ফীভমগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা লম্শিংদা থবক তৌরিবশিং য়াওনা সোসল এক্টিভিষ্টশিংগা অমমমতা ওইনা উনদুনা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অসি হোটেল ক্লাসিক ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৪ ওফ ২০২২

## নবেম্বর ৬তা এদভোকেট কম্মিস্নরনা মিনিষ্টর বিশ্বাজিৎপু এগজামিনেসন তৌগদৌরি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চতা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা ৫-থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী বি জে পিগী টিকেটতা কারক্তুনা হৌজিক মিনিষ্টর ওইরিবা থোঙাম বিশ্বাজিৎ (৪৮) অপোকপা কে ঐচ কুমার, থোংজু পার্ট ৱান নিঙোমথোংদা লৈবা য়াওনা মীখল অদুদা জে দি-য়ুগী মীরেপ ওইখিবা শংলাকপম প্রেসিওজিৎ (৩৯) অপোকপা এস দেবব্রত, খোংমন জোন টু অমসুং মীখল অদুগী রিটর্নিং ওফিসর ওইখিবা ওফিসল অমগী মথক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইখিবা সেরাম নেকেন (৪৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস মঙ্গি, শীংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়না পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৪ ওফ ২০২২গী মখা চত্থরকপা ৱায়েলদা মথং থাগী ৬তা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী ৱায়েলগা মরী লৈননা হায় কোর্টনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা এদভোকেট কম্মিস্নরনা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বাজিৎপু এগজামিন ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুরদা নেসনল হায়ৱেগী প্রোজেক্ট ৫০ পায়খৎপদা মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরক্লে

### মণিপুরগী চীংগী এরিয়াদা কিলোমিটর ৯০২ শাংবা লম্বীদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা অপূনবা কিলোমিটর ১০২৬ শাংবা নেসনল হায়ৱেগী প্রোজেক্ট ৫০গী মখাদা লম্বীশিং শেমজিন-শাজিনবগী থবক পায়খৎপদা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজনা অয়াবা পীরক্লে হায়রি।

প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (পি আই বি), দেল্লীনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা থোরকপা চেরোল অমনা মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরবা নেসনল হায়ৱেগী তোঙান-তোঙানবা লম্বী শেম্বগা মরী লৈনবা প্রোজেক্ট ৫০ অসিগী মনুংদা প্রোজেক্ট ৪৪না ষ্টেট অসিগী চীংগী এরিয়াশিংগী অপূনবা অশাংবা কিলোমিটর ৯০২ ওইগদবা লম্বীশিংনি হায়রি।

প্রোজেক্ট অসিগী মনুংদা চীংগী এরিয়াশিংদা মাঙজৌননা প্রোজেক্ট ৮গী মখাদা কিলোমিটর ১২৫ শাংবা লম্বী শেমজিন শাজিনবগী থবক মপূং ফানা লোইশিনখ্রে অদুগা চীংগী এরিয়াশিংদা পায়খৎকদবা অপূনবা প্রোজেক্ট ৫০ অসিগী মনুংদা চীংগীনা ৪৪ ওইবগী মনুংদগী প্রোজেক্ট ৮ মায় পাক্না লোইশিনখ্রবা মতুংদা লেমহৌরিবা প্রোজেক্ট ৩৬ অসিগী শেনফম্না লুপা ক্রোর ১২০০০ ওইগনি। হায়রিবা শেনফম অসিনা চীংগী এরিয়াশিংদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা লম্বীশিং পূনশিল্লগা অপূনবা কিলোমিটর ৭৭৭ শাংবা লম্বী ওইগনি হায়রি। হায়রিবা লম্বীশিং অসিসু শেমগৎপগী থবক মায় পাক্না চত্থরি হায়রি।

মিনিষ্ট্রিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫


### মীওই ২ এয়রপোর্টতগী সনা কিলো মখায় হেনবগা কোন্নবা ফারে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস):** ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা ইন্দিগো ফ্লাইট অমা তোংদুনা গুৱাহাটি তম্না চৎনবা হোৎনরম্বা মীওই অনীবু ইম্ফাল এয়রপোর্টকী সী আই এস এফকী পর্সনেলশিংনা চ্যেক তৌরুবদা মখোয় অনীদা মথংশিংনা সনা গ্রাম ৩১২.৯১ অমসুং ৩১০.৬১ পূন্না গ্রাম ৬২৩.৫২ য়াওরম্বদগী ফারগা কষ্টমস দিভিজন, ইম্ফালদা শিন্নরকখ্রে হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদু ইরোইশেম্বা লৌরেম্বম লৈকায়দগী লৌরেম্বম রমানন্দ মঙাং অমসুং ক্ষেত্রিময়ূম গুলসন মৈতৈ কৌই হায়রি।

কষ্টমস দিভিজননা মখোয় অনীগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

## হূই ঙাওরগা হূইবু থিরকই হায়বদু নীংশিংগদবনি অমদি কাউরোইদবনি : য়ু পি পি কে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :** মশা-মশাগী অশোয়বা অমদি অরানবা তৌখিবশিং চুমথোকচনবা অমদি শেমদোক্লবা কয়ারক হায়খ্রবসু মনা কনবা, ৱাচেপ থারবসু হূই মমৈ চুমথোকপা য়াদবগুম লৈরিবশিংগী মথক্তা য়ু পি পি কেনা অকনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা মশা মশাগী মরালশিং লৈবাক মীয়ামদা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈবাক মীয়াম্না মখোয়গী মথক্তা ৱায়েল চত্থনবা লূপ অসিনা শিন্নরগনি। লোয়ননা মরাল লৈরবা মীওইশিংবু কনখৎতুনা থম্নবা হোৎনরিবশিংনসু খোঙফম হন্দোকহৌনবা লূপকী মায়কৈদগী অরোইবা তাঞ্জা পীরি হায়না য়ুনাইটেদ পিপলস পার্টি ওফ কংলৈপাক (য়ু পি পি কে) গী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি নোংদম্বা মৈতৈনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৬ কলম ৫

## মৈ হুরাল্লম্বা ১৯ ফারে, কেস ৬ লৌখৎলে, মৈগী টেক্স থিদবা কঞ্জ্যুমর ৯গী মৈ ককথৎলে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :**

ঙসি এম এস পি দি সী এলগী ওফিসলশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমদা রেযুদ চত্থবদা মৈ হুরাল্লম্বগীদমক চূড়াচান্দপুর দিভিজন এরিয়াদগী -২, কাংপোকপী দিভিজন এরিয়াদগী-৩, বিষ্ণুবুর দিভিজন এরিয়াদগী-২, থৌবাল দিভিজন এরিয়াদগী-৪, আই ঈ দি-১ দিভিজন এরিয়াদগী-৩, আই ঈ দি-৪ দিভিজন এরিয়াদগী-৫ পূন্না মীওই ১৯ ফারে অমসুং কেস ৬ লৌখৎলে হায়রি।

লোয়ননা মৈগী টেক্স থিদবা কঞ্জ্যুমর ৯গী মৈ দিসকনেক্ট তৌরে হায়না এম এস পি দি সী এলগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## রেগ্যুলর ভি সী হাপ্তবা অমসুং এম টেক্ট ১দি পি ঐচ দিনচিংবগী খুদোংচাবা পীদবগী মায়োক্তা থবক পায়খৎলগনি : তাঞ্জুল কতম্নাও লোং, ইম্ফাল

### মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী লাইবক করি ওইগদৌরি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি (এম টি য়ু) গী হান্না লৈরম্বা ভাইস চাঞ্চেল্লর অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা জন্যুৱারী ২৭, ২০২৩দা পীখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মহাক্কী এপোইন্টমেন্ট ককথৎখ্রবা মতুংদগী হৌজিক ফাওবদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী রেগ্যুলর ভাইস চাঞ্চেল্লরগী এপোইন্টমেন্ট পীরমদ্রে তাবদা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতে হায়না ইম্ফালগী তাঞ্জুল বেপটিষ্ট চর্চদা ওফিস ওইরিবা ওল তাঞ্জুল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ইম্ফালগী এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা তাঞ্জুল কতম্নাও লোং, ইম্ফালগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক এম টি য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লরগী থবক পুরিবা মীওই অসি ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগীসু ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইরি অদুগা য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেন, মণিপুরগীসু কম্মিস্নর ওইবদা নত্তনা এম ও বি সীগীসু দিরেক্টর ওইনা থবক পুরিবনি হায়রি। অদুগা এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রার ইন চার্জ অসিসু মহৈকোল অসিগী দেপ্যুটেসনদা ফাইনান্স ওফিসর ওইনা থবক পুরিবনি হায়রি।



অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিদি মহৈকোল অসিগী চত্থফম থোকপা এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেট-অপকী মায়োক্তনি অমসুং মহৈকোল অসিবু নিংথিজনা চলাইহনবা ঙমহল্লরোই হায়রি। মহৈকোল অসি কুমজা ২০১৬তা লিংখৎখিবদগী হৌজিক চহী ৮ শুরক্লবা ফাওবদা মহৈকোল অসিদা এম টেক্ট অমদি পি ঐচ দিনচিংবা হায়র ষ্টদিশিংগী কোর্সশিং তম্নবগী খুদোংচাবা মহৈকোল অসিগী মহৈরোয়শিংনা ফংদ্রি হায়রি।

লৈঙাক্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## মালেম সনামহী লাইনীং লূপ (মাসল) গী অপূন মীটিন পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৭কী অয়ূক পুং ১১ তারকপদা ক্বাকৈথেল মখা থোকচোম লৈকায়গী কম্যুনিটি হোল (টিদ্দিম শান্নবুং ময়া) দা মালেম সনামহী লাইনীং লূপ (মাসল) কী অপূনবা মীটিন পাঙথোক্তুনা লূপ অসিগী অনৌবা থৌপুলূপ শেম্বা অমদি অতৈ-অতৈ হীরমশিং খন্নগনি হায়রি।

মীটিন অসিদা লূপলোইশিং/থৌপুরোইশিংনা মতম চানা লাকপীদুনা খন্ন-নৈনবদা শরুক য়াবীয়ু হায়না মাসলগী থৌবুরেল থোঙাম শামা খাবগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫